বিষ্ণুপুরদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসনগী এদভোকেসি মীটিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৩ (ঐচএনএস) : কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসন অমসুং মসিগী মরু ওইবা অমদি ভেক্সিনেসন অসিগা মরী লৈনবা অচুম্বা অশেংবা ৱাফমশিংগী মতাংদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন বিষ্ণুপুরনা নেসনল হেল্থ মিসন মণিপুরগী ষ্টেট হেল্থ সোসাইটিগা খূৎশম্নুনা ঙসি দিষ্ট্রিক্ট অসিগী অরিবা চীফ মেদিকেল ওফিসরগী ওফিসতা লৈবা মিনি ত্রেনিং হোলদা এদভোকেসি মীটিং অমা পাঙথোকখ্রে।

এদভোকেসি মীটিং অসিদা নেসনল হেল্থ মিসনগী দিরেক্টর ডা. এন শ্যামজাই, রিটায়ার্দ এদিসনেল দিরেক্টর ডা. এল আর কে অমসুং এস এম ও (আর কে এস কে, আশা) অমসুং ষ্টেট নোদল ওফিসর (হেল্থ) ওইরিবা ডা. জুবিলি ৱাহেংবমনা রিছোর্স পর্সনশিং ওইরদুনা ভেক্সিনেসন তৌরবা মীওইশিংনা ফংগদবা কান্নবশিংগী মতাংদা মরীক চুম্না ৱা ঙাঙখি অমসুং ভেক্সিনেসন অসিনা মী অমগী ইম্যুনিতি হেনগৎহনবা অমসুং লায়না অসিগী লৌনরকপগী খুদোংচাবা হন্থহনবগী মতাংদা ৱা ঙাঙখি।

চথরক্লিবা ভেক্সিনেসন কেম্প্যেন অসিদা মীপূম তিংনা শরুক য়াহন্নবগী পান্দমদা দিষ্ট্রিক্ট পূম্নমক্তা পাঙথোক্লরকপগুম ঙসিগী এদভোকেসি মীটিং অদু এম এল এশিং, জিলা পরিষদ মেম্বর, প্রধান, লাইনীংলোনগী লুচিংবশিং, দিষ্ট্রিক্ট অসিগী সী এস ও অমদি এন জি ওগী মীহুৎশিংগা পুন্না খূৎশম্নদুনা শীনবনি। মীটিং অসিদা দি সীগী এ সী, বিষ্ণুপুরগী সী এম ও অমসুং দিষ্ট্রিক্ট হেল্থ সোসাইটিগী ওফিসলশিংনা শরুক য়াখি।

সেসন্স জজ, ইম্ফাল ৱেষ্টনা ওর্দর ...

লামায় ১গী মখা... রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবা তোঙান তোঙানবা কেস ২ - এফ আই আর নম্বর ১২৪ (১১) ১৯৮৩ অন্দর সেক্সন ৪৫৭, ৩০৭, ৩৫৬, ৩৪ আই পি সী অমসুং ২৭ আর্মদ এক্ট ১৯৫৯গী এক্যুইজ অনীবুনা ঙসি পীখিবা কোর্টকী ওর্দরনা কেস অসিদগী এক্যুইট তৌখি। কেস অসিগী ৱায়েল থা অসিগী ৩দা চথখিবদা এক্যুইজশিং ওইরিবা য়াঙ্গোইজম মনিমতুম এলিয়জ ইবোমচা অমসুং নামোইজম গম্ভিরবু এক্যুইট তৌখি। অদুগা অতোপ্পা পুলিস ষ্টেসন অসিনা চহীদুমক্তদা লৌখৎখিবা কেস এফ আই আর নম্বর ১১ (২) ১৯৮৩ অন্দর সেক্সন ৩৯৫, ৩৯৭, ১২১, ১২১ এ আই পি সী, ২৫ (১) (১০) আর্মদ এক্ট অমসুং ১৩ য়ু এ (পি) এক্টকী মখাদা ফাদুনা ৱায়েল চথরকখিবা সেকমাইজিন থোঙাম লৈকায়দগী থোঙাম গিরানি এলিয়জ সরত এলিয়জ ময়াম্বা (৬৭) অপোকপা টি ঐচ সেলুংবা, হুইদ্রোম মনিকুমার এলিয়জ অবোথে (৭০) অপোকপা কোইরেং, ময়াং ইম্ফাল অমসুং সেঞ্জম মঙ্গি এলিয়জ চীংলেম্বা (৫৯) অপোকপা ইবোচৌ চিরাং খুনৌ মনীং লৈকায়বুসু ঙসি পীখিবা কোর্টকী ওর্দর অসিনা কেস অসিদগী এক্যুইট তৌখি।

কেস অনীমক্কী ৱায়েল চথরকপদা এক্যুইজ ৫গী মায়কৈদা লিগেল এইদ কাউন্সেল টি ঐচ থাজমানবী লুৱাংনা লেপখি।

অসাম কেট্টল প্রিজার্ভেসন বিল, ২০২১ ...

লামায় ১গী মখা... নৌনা পুথোক্কদৌরিবা বিল অসিনা হান্নদগী ষ্টেট অসিদা চৎনরক্লিবা অসাম কেট্টল প্রিজার্ভেসন এক্ট, ১৯৫০বু মহুৎ শিন্নবা হোৎনগদৌরি। অহানবগী বিল অসিনদি চহী ১৪ অমসুং মসিগী মথক্তা লৈরবা ষণশিংনা করিগুম্বা থবক ইনখাং শীজিন্নবা অমসুং ব্রিদিং তৌবা ঙম্লক্ত্রবা নৎত্রগা এক্সিদেন্টনচিংবদগী ফীভম কায়রগদি লোকল ভেটিরিনরি ওফিসরশিংনা পীবা অয়াবগী মতুংইন্না স্লাউটর তৌবদা য়াহল্লক্লিবনি। অদুম ওইনমক নৌনা অসাম এসেমব্লিদা ইন্ত্রদ্যুস তৌগদৌরিবা অনৌবা বিল অসিনদি গভর্ণমেন্টনা অয়াবা পীবা মফমশিং নত্তনা অতোপ্পা মফমশিংদা মখল অমত্তদা ষণশা য়োনবা অমসুং পুথোকপদা অয়াবা পীরোইদৌরিবনি হায়রি।

শর্দানা বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট জে পি...

লামায় ১গী মখা... উনখিবা অদুদা এ শর্দানা হৌজিক হৌজিক ষ্টেট অসিদা পার্টি অসিনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং অমদি পার্টি ওর্গনাইজেসনগী মতাংদা শুগাইবা ৱাফম কয়া পাউদমখিবগা লোয়ননা লাক্কদবা মতমদা পায়খৎকদবা পার্টিগী থবক থৌরম কয়াগী মতাংদসু কুপ্না খন্নখি। লোয়ননা মণিপুরগী লোক সভাগী এম পি ডা. আর কে রঞ্জনবু সেন্টরদা লৈরিবা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিদা মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফ্যেরস অমসুং মিনিষ্ট্রি ওফ এদ্যুকেসনগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ওইনা হাপ্লকপদসু পার্টি প্রসিদেন্টবু থাগৎপা ফোঙদোকখি হায়রি।

অমরোমদা, এ শর্দানা টেক্সটাইলগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট দর্শনা বিক্রমগসু উনদুনা মণিপুরদা টেক্সটাইলগী মেগা পার্ক অমা লিংখৎপীনবা তকশিনখ্রে। ষ্টেট অসিগী নুপী ওইবীশিংবু মায় পাকপা ওন্ত্রপ্রেন্যুরশিং ওইহন্নবা অমদি মশা মশাগী শেন্থোক লৈবা শিনফমশিং পায়হননবগী পান্দমদা এ শর্দানা থমখিবা ৱাফমশিং অদু লূম্না লৌরদুনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট অসিনা পাংবা য়াবা মতেংশিং পাংগনি হায়নসু থাজবা পীরকখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, জল শক্তি অমদি ফুন্দ প্রোসেসিংগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর প্রহ্লাদ সিংহ পটেলগসু উনখ্রে হায়রি।

রিজাইন তৌখ্রবা এম এল এ ৩না স্পিকরগী ওর্দর...

*লামায় ১গী মখা...*জষ্টিশ লানুসুংকুম জামির অমসুং জষ্টিস অহন্থেম বিমোলগী দিভিজন বেঞ্চনা লাউথোকখিবনি। কোর্টনা মেট্টর অসি লৌখৎতুনা খন্নখিবদা পিটিস্নরশিংগী মায়কৈদা সিনিয়র এদভোকেট ঐচ এস পাওনমনা লেপ্লগা মহাকপু কাউন্সেল এ অরুনকুমারনা এসিষ্ট তৌখি। অদুগা সিনিয়র কাউন্সেল মাইবম হেমচন্দ্রনা লেপ্লগা মহাকপু কাউন্সেল এম দি জুনো রহমননা এসিষ্ট তৌখিবগা লোয়ননা টি টি হাওকিপকী মায়কৈদনা ডা. আর কে দিপকনা লেপখি। অদুগা রেসপোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদনা সিনিয়র কাউন্সেল কপিল সিবল অমসুং সিনিয়র কাউন্সেল নামোইজম ইবোতোম্বী, সিনিয়র কাউন্সেল এস জি হসনেননা লেপ্লগা মহাকপু কাউন্সেল সয়িদ এম দি ফজলনা এসিষ্ট তৌখি। অদুগা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকর অমসুং সেক্রেটরিগী মায়কৈদনা কাউন্সেল এস চিত্তরঞ্জন অমসুং কে ঐচ সমরজিৎনা লেপখিবনি।

কোর্টনা ঙসি লাউথোকখিবা অপূনবা পিটিসন অহুমগী পুন্না লমায় ৩৫ পানবা কম্মন জজমেন্ট অমসুং ওর্দরনা পীখিবা ওবজার্ভেসনশিংগী মনুংদা পিটিস্নর অহুমগী রেজিগনেসন অদু জিন্যুন অমসুং ভোলুন্টরি ওইরবদি মদুবু স্পিকরনা অয়াবা পীবদা অরানবা লৈতে। অদুগা ষ্টেট অমগী এসেমব্লিগী মেম্বর অমনা রেজিগনেসন পীরকপদা মদুবু অয়াবা পীবগী অককুবা মতম কন্সর্টিট্যুসন নৎত্রগা হাওসকী প্রোসিজর অমসুং কন্দক্ট রুলসনা পীবা লৈতে। মরম অসিনা স্পিকরনা পিটিস্নর অহুমগী রেজিগনেসন লেট্টরশিং অদু হাথু হাথুবা মওংদা অয়াবা পীখি হায়দুনা তৌরক্লিবা এলিগেসনশিং অসিগী মেরিট য়াওদে। মরম অদুনা পিটিস্নর অহুমগী পিটিসনশিং অদু দিসমিস তৌরে হায়খি।

কোর্টনা পীখিবা ঙসিগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অদুদা ফোঙদোকখিবশিংগী মনুংদা পিটিস্নর অহুমনা পীশিল্লকখিবা রেজিগনেসন লেট্টরশিং অদু স্পিকরনা অয়াবা হেক পীবগা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী সেক্রেটরিনা রেজিগনেসন লেট্টরশিং অদুবু অয়াবা পীবগী বুলেটিনশিং জুন ১৮, ২০২০দা থোকখিবনি অমসুং হাওস অসিগী প্রোসিজর এন্দ কন্দক্ট রুলসকী রুল ৩১৫ (৬) কী মখাদা বুলেটিনশিং অদুবু ওফিসল গেজেটতা ফোঙখিবনি। মরম অসিনা পিটিস্নরশিংগী মায়কৈদগী মখোয়গী রেজিগনেসন লেট্টরশিং অয়াবা পীবা অমসুং মদুগী ওর্দর মখোয়দা পীরক্তে হায়বগী এল্লিগেসনশিং তৌফম থোক্তে হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

অদুম ওইনমক এক্স এম এল এ অহুমগী পিটিসনশিং অসি হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা দিসেম্বর ১৮, ২০২০দা অরোইবা হিয়ারিং পাঙথোক্লগা থা ৭ লোমগী মতুংদা ঙসি খক্তমক পিটিসনশিং অসিগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দর লাউথোকখিবনি।

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	88.218950
US Dollar	74.489411
British Pound	103.153609
Australian Dollar	55.691550
Chinese Yuan Renminbi	11.517978
Japanese Yen	0.675515
Malaysian Ringgit	17.769768
Singapore Dollar	55.083624
South Korean Won	0.065042
Saudi Arabian Riyal	19.863843
Thai Baht	2.282557

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	47606.00
Mumbai	–	Rs	47780.00
Delhi	–	Rs	47616.00
Kolkata	–	Rs	47855.00

GAS NEWS

POROMPAT INDANE GAS, POROMPAT:
Booking up to 22/04/21
Valid from 16/04/21.
Every refill will be home delivered, pls contact 9366184547 for home delivery during 8AM to 10AM.
For queries during office hours: 9362661205
For phone booking send SMS (Consumer ID & Name) to 7640848814.
DRIVER WANTED FOR HOME DELIVERY pls contact office(salary+incentive)

KHORIPHABA LPG SERVICE NAMBOL
Bk.Upto 21-06-21 (sl.upto 47164)
Home delivery contact no: 9366471778, 8974087390, 8413933495

TANGLEI GAS OINAM
V/f- 20-06-21
B/upto - 24-06-21
Stock 306
7am to 10am

KHUMBONG INDANE
Booking upto 09-06-21
Valid from 05-06-21
Only home delivery within 4 days
Office no. 8794313865
Home delivery contact no. 7005013837, 9366008621, 9612023095
Whatsapp no. 8794973019
Time 7.30am to 11.am

M/S ASHANGBI INDANE, SUGNU
B/upto--10-6-021.
V/from-01-06-021.
Stk-306.
Only home delevery, call to 7629966437.
Time - 8am to 2pm

M/s K&K INDANE SERVICE,
home delivery only
Booking uptodate
Call Timing: 8am To 12noon
*URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL-9362663937.
*SAGOLBAND TERA & SURROUNDING 9366727636, 9863654574, 9774213728, 9089519886.
TIDDIM LINE -9774213728
*TAKYEL LANGJING, PATSOI AREA/ 8258856407 / 7005588556 / *KONTHOUJAM A/c 9863201839, LAMSHANG A/C - 9612493837./ 9089542175
Enquiry no. 9856134465.

IMPHAL LPG SERVICE
(Home Delivery only)
Booking:03-07-2021
Update Gas Card With Fresh personal photo . New Contact Office No. 6009392991, 9362654114, 03853560556. Time 8:30 to 12:30 . Those who haven't received send to whatsApp no.9863624773 their form no1.also available 19kg and 5kg .please don't used the other numbers except the notified one. Those Deactivated one submit Aadhar and KYC form for activation.In view of covid19 and curfew booking can be made through IOCL
1. For whtsapp booking type <REFILL#>LPG ID NO. e.g. start from 70000000xxxxx xxx 16 digital. Send to 7588888824.
2.For onlidistributorsne payment use<Indane Oil One app>
It's applicable for all of IOCL. Encouraged online payment.

MM GAS SERVICE
HOME DELIVERY ONLY
NO PHONE CALLS
ONLY SMS OR WHATSAPP
TIMING 8:00 am to12:00 noon
BOOKING: 30.06.21
VALID : 20.06.21
FOR ALL IMPHAL-WEST & IMPHAL-EAST 8131942156 (SMS/ WHATSAPP) 7085198900 (ENQUIRY)
FOR ALL THANGMEIBAND & LAMPHEL 7628098544,9089370369,9774443052
FOR ALL LANGOL AREA 7085977502
DELIVERY WITHIN 3 TO 5 DAYS

জুলাই ১৬কী...

লামায় ১গী মখা... শটদাউন তৌরগনি হায়রি।অদুম ওইনমক খোঙজং অসিগী মনুংদা ইসেন্সিএল সর্ভিসশিং, অনা লায়েং লোয়ননা লাইনীং-লাইশোন্নচিংবগী থবকশিংদি কোমথোক্কনি হায়রি। অদুবু খোঙজং অসিদা মণিপুর মীয়াম্না শৌগৎপীয়ু হায়রকপগা লোয়ননা হৌরক্লিবা নহারোল কয়াগী পুন্সিবু মৈথক্তা ঙৌদুনা মশাগী ওইজবা খরগীদমক থন্না অসিনা তুংদা থোকহন্নীংদবা থৌদোক ৱাথোক কয়া অমদি ক্রাইম কয়া থোরক্লবগী মচাক ওইগনি। টোটেল শটদাউন অসিদা থোরকপা অফ-ফত্ত পুন্নমক মণিপুর গভর্ণমেন্টনা পুগদবনি হায়রি।

স্কাই হোস্পিটালদা চয়োল ১গী অঙাংশিংগী ফ্রী ...

*লামায় ১গী মখা...*অসিনা হায়, পাঙথোকখ্রিবা অহুমশুবা চয়োল অমা চূপ্না চথখিবা অঙাংশিংগী হার্ট সর্জরি কেম্প অদুদা তোঙান তোঙানবা পোকপদা হার্ট দিফেক্টশিংগা লোয়নরকখিবা পিক্লিবা অঙাং ৬ ওপরেসন তৌদুনা খুদোংচাবা পীখি। অঙাংশিং অদুদি বিষ্ণুপুরদগী কেজি ৫.১ লূম্বা থা ৫ খক্তা ঙাইরিবা মাষ্টর পি পারি, কেজি ৭.৫ লূম্বা চহী ১গা থা ৩ খক্তা ঙাইরিবী নুপীমচা চনুথোই, কেজি ২০ লোম লূম্নবা চহী ৫ রোম শুরবা হেনথোইবী অমসুং চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতগী কেজি ৭.৩ লূম্বা থা ৮ লোমগী নুপামচা লানলিয়ানশাং অমসুং কেজি ১০ রোম লূম্নবা চহী ২গা থা ৫ রোম শুরবা নুপামচা টিমোরথি অমসুং তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টতগী কিলো ৬.৫ রোম লূম্নবা চহী ১গা থা ৬ খক্তা ঙাইরিবী জেদ দিনরাইলিয়ুনি হায়রি।

লোয়ননা অঙাংশিংগীদমক মরিশুবা চয়োল অমা চূপ্না চথগদবা ফ্রী চিলদ্রেন হার্ট সর্জরি কেম্প অমসু লাক্লিবা সেপ্টেম্বর ১৯দগী ২৫ ফাওবা স্কাই হোস্পিটালদা পাঙথোক্লগনি হায়রি। কেম্প অসি মণিপুর হার্ট ফাউন্দেসন অমসুং স্কাই হোস্পিটালনা য়ু কেদা বেজ তৌবা হিল্লিং লিট্টল হার্ট (ইন্দিয়া দিভিজন) গা খূৎশম্নুনা শীনগদবনি হায়রি। কেম্প অসিদা লীদ সর্জন্টনা গুজরাটকী অহম্মেদবাদতা লৈবা য়ু এন মেহতা ইন্সটিট্যুট ওফ কার্দিওলোজি এন্দ রিছর্সকী সিনিয়র কন্সলটেন্ট পেদিয়াত্রিক সর্জন্ট ডা. অশিস কাটেৱানা ওইগনি। অদুগা য়ু কেগী হিল্লিং লিট্টল হার্টকী ফাউন্দর প্রসিদেন্ট ডা. সঞ্জিব নিচানি, ও বি ঈ অমসুং মণিপুর হার্ট ফাউন্দেসনগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা স্কাই হোস্পিটালগী চীফ কার্দিওলোজিষ্ট ডা. এল শ্যামকিশোরনা শরুক য়াগনি হায়রি।

মরম অদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ফ্রী চিলদ্রেন হার্ট সর্জরি কেম্প অসিদা মণিপুর অমসুং নোর্থ ইষ্টর্ন ষ্টেটশিংগী অঙাংশিংনা কেম্প অসিগী খুদোংচাবা লৌবীহৌবগা লোয়ননা সর্জরিশিং মায় পাক্না পাঙথোক্লগা মরাইবক থীরবা অঙাংশিং অসিগী তুংগী অনৌবা পুন্সি অমা লৈহন্নবা হোৎনবীয়ু হায়নসু অপীল তৌরি।

পাঙথোক্কদৌরিবা কেম্প অসিগীদমক রেজিষ্ট্রেসনগী থবক হয়েং অয়ুক পুং ৯ তাবদগী হৌরগনি। অকুপ্পা মরোলগীদমক টেলিফোন নম্বর ৮৪১৫৯৩৪২৩৬ / ৮৪১৫৯৩৮২০৭তা কন্টেক্ট তৌবীরকউ হায়রি।

দোলাইথাবী বরাজদগী কেনেলশিংদা ...

লামায় ১গী মখা... কম্মিটি (কে কে দি সী)না মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টকী মীওইশিং য়াওনা য়েংশিনখ্রে।

ঙসিগী খোঙচৎ অদুদা সব-দিভিজন (ৱান) দি বি দি (ট্রু)গী এ ঈ মোইরাংথেম রাকেশনা ফোঙদোরকপদা, রবি ক্রোপকী মতমদা কৈবী কুমুদা ফাওবা ঈশিং মরাং কায়না য়ৌরল্লবনি। হন্দক্কী খরিফ লৌরোক্কী মতম অসিদা লৌমী খূদিংগী লৌফমশিংদা ঈশিং মথৌ তাবনা ৱাখোং, উয়ুম্পোক, লম্খোই খুল অমদি কৈবীগী শরুকশিং ঈশিং পীনবগীদমক পায়খৎতুনা লাকপনি। উয়ুম্পোক মমাঙ লৈকায়গী লৌবুকশিংদি হান্না য়েংশিল্লমদবা অদু কুপ্না য়েংশিনবগা লোয়ননা খোঙচৎ অসিগী কান্নবা মীয়ামদা শোয়দনা পীগনি হায়না থাজবা থমখি।

অমরোমদা, মীয়াম্না ঈশিং শীজিন্নবা মতমদা তঙাইফদবা খক লৌবীয়ু। হেন্না লৌশিনবনা ঈচাউ থোক্লকপা য়াই। মনিংথংবা কেনেলগী শগোলমাং, য়ুম্নাম পাৎলৌ, ঈশিংথেনবী, য়ুম্নাম খুনৌ ফাওরগা শম্বেফাওবদা শোয়দনা ঈশিং য়ৌবা ঙম্নগনি হায়না এগজিক্যুটিভ এঞ্জিনিয়র অন্তাজনসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

ঈ ঈ অন্তাজ অমদি এ ঈগী ৱাফমশিং অদু খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র দিভেলপমেন্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট মাইবম কুঞ্জে, ভাইস প্রসিদেন্ট সোরোখাইবম য়াইস্কুল অমদি স্পোক্সপর্সন নোংমাইথেম দিজেননা লুচিংবা টিম অমনসু কোয়না চৎতুনা য়েংশিনখি। এ সী অসিগী মীয়াম্না মঙজবা মঙলান অদুমদি ফংলগনি। মসিগীদমকসু লৈঙাকপুসু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

দিজেননা মখা তানা হায়, কেনেল অসি লন্নাই মীওইশিংগী লৌবুক ফাওদুনা পুরকপা মতমদা হান্না পীথোক্তনা লৈরিবা লমগী কম্পেন্সেসন অদু পীথোকপীয়ু। অমরোমদা, হৌজিক কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভনা মরম ওইদুনা মীয়াম্না য়ুমদগী মপান থোরকপদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরি। অদুবু তঙাইফদনা পোরোম্পাৎকী দি সী এগ্রিকলচর ওফিসতা হার লৌনবগীদমক অহিং য়ারেক্লদুনা লৈঙাক্কী এস ও পি ঙাক্তনা ক্যুদা লৈনরিবা অসি য়েংবদা মীয়াম্না পেন্নদে। পি দি এসকী আইটেম য়েনবগুম লৈকায়, খুলগী অমদি লোকেল এম এল এগী খুথাংদা মীয়াম পুন্নমক্কী য়ুমগী থোঙ্গালদা ফংহনবীনবা লৈঙাক্কী মীৎয়েং চিংশিল্লক্লি।

জুলাই ১৫গী মনুংদা এসেসমেন্ট ...

লামায় ১গী মখা... ডা. লমাবম মহেন্দ্রনা কাউন্সিল অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা লাউথোকখিবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, দেল্লী য়ুনিভর্সিটিগী এদমিসনগী থবক হৌনরক্কদবা অমসুং ওল ইন্দিয়া কম্পিটিটিভ এগজামিনেসনশিং পাঙথোক্লবগী মতম লেপ্লরকপনা মণিপুরগী মহৈরোয়শিং অসিগী করিয়র মাঙহন্দনবগীদমক কেন্সেল তৌখ্রবা মখোয়গী এগজামিনেসন অসিগী রিজল্ট ঙনখৎনা থা অসিগী ২৪ ফাওবগী মনুংদা লাউথোক্লবা থৌরাং তৌরি। মসি ঙম্নবগীদমক ইন্সটিট্যুসনশিংগী মায়কৈদগী মহৈরোয়শিং অসিগী রিজল্ট লাউথোক্লবগীদমক শেমখিবা মরী লৈনবা কম্মিটিশিংনা লৌবা মহৈরোয়শিংগী পর্ফোর্মেন্স য়াওনা ইভাল্যুএসন অমসুং এসেসমেন্টকী রিপোর্টশিং থা অসিগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা সবমিট তৌরক্কদবনি হায়খি।

ঙসি ফাওবদা অপূনবা ইন্সটিট্যুট ১৯২ লৈবগী মনুংদা শুপ্নতগী ইন্সটিট্যুট ৬০ খক্তনা হায়রিবা মহৈরোয়শিংগী রিপোর্ট অসি পীখৎলক্ত্রি। অদুবু জুলাই ২৪ ফাওবগী মমাঙদা রিজল্ট হায়দোকহৌদ্রগদি অঙাংশিং অসিগী করিয়রদা অকায়বা লাক্কনি। মরম অদুনা জুলাই ১৫ ফাওবগী মনুংদা থাগৎফম থোকপশিং থাগৎপীরকউ। অদুগা স্কুলশিংনদি পীরগা ফোর্ম ফিল-অপ নংহৌদবা প্রাইভেটকী ওইরবসু কেজ্যুএল মহৈরোয়শিংগীনা জুলাই ১৭ ফাওবগী মনুংদা থাগৎপীরকউ হায়রি।

ঙসি পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা কাউন্সিল অসিগী সেক্রেটরি সী ঐচ বিরেন অমসুং কন্ট্রোল্লর ওফ এগজামিনেসন এ সুরকুমারসু শরুক য়াখি।

হীদাক কাপকনি লাউথোক্লুরগা লৈতে হায়দুনা ...

লামায় ১গী মখা... ইরেংবন্দ ফুটবোল এসোসিএসন (আইফা), রেজিষ্ট্রেসন নম্বর ৩০৬/এস আর/০৯ টি ঐচকী সেক্রেটরি এম মঙলেমজাওনা থোরকপা চেরোল অমনা হায়বনি।

চেরোল অসিনা হায়, ইরেংবন্দ খুনগী ওইনা হীদাক কাপথোক্কদবা ৱাৎলিবা অপূনবা খুঞ্জাশিংগী মনুংদগী চাদা ৬৫গী চাংদা লৈরিবা মীওইশিংবু কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকপীনবগীদমক পল্লেলগী পি ঐচ সীদা হায়জরুদগী পি ঐচ সী অসিনা অইবা চেরোল অমা থোক্তুনা থা অসিগী ৬তগী ৮ ফাওবা মফম মরি থোক্না খাইদোক্লগা কোভিদ টেষ্ট তৌবা য়াওনা ভেক্সিন কাপ্লসি হায়বীরকখি। লোয়ননা এসোসিএসন অসিনা মসিগীদমক শীন-লাংবীরো হায়নসু চে পীরকখি হায়রি।

ৱাফমসিদগী খুল অসিগী হীদাক কাপকদবা ৱাৎহৌরিবা মীওইশিং অসিগীদমক টেষ্টিংগী থবকসু য়াওনা ভেক্সিনেসন পাঙথোক্লগনি হায়দুনা এসোসিএসন অসিগী মায়কৈদগী মীয়ামদা নোটিশ থোক্তুনা খঙহনবগী মথক্তা পব্লিসিটি ফাওবা চৎতুনা লাউথোকখি হায়রি। অদুবু মীয়ামদা কাপকদবা হীদাক লৈত্রে হায়দুনা মফম ৪দা পাঙথোক্কনি হায়রকখিবা টেষ্টিং অমসুং ভেক্সিনেসনগী থবকশিং অদু কেন্সেল তৌখ্রে হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, চীফ মিনিষ্টরনদি নুমিৎ খুদিংগী মীপূম খুদিংমক্তা ভেক্সিন কাপ্নবা হায়দুনা ভেক্সিন অসিগী অৱাৎপা লৈতে হায়রগসু ইরেংবন্দ খুঙ্গং অসিদদি মসিগী খুদোংচাবসি মরী লৈনবশিংনা ঙসি ফাওবা পীবিদ্রে। ওইরক্লিবা ফীভমশিং অসিদগী থা অসিগী ৭তা ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নরদা অইবা চেরোল অমসু পীশিন্দুনা খুল অসিগী ৱাৎহৌরিবা মীওইশিংদা হীদাক কাপ্নবা শীনবীয়ু হায়জখি। অদুবু ঙসি ফাওবদা থবক্তা ওন্থোকপীরক্ত্রে হায়রি।

খুঙ্গং অসি লৌমীশিং ঙাক্তা লৈবা খুঙ্গং ওইবনা হৌজিক লৌ শুবসু হৌনরে। মখা তানা চোন্থরবদি ভেক্সিন কাপ্পবা হোৎনবদা অৱাবা ওইরগনি। মরম অসিনা ক্লব অসিগী মায়কৈদগী মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংগী পুক্নিং চিংশিল্লক্লি।

অমরোমদা লায়রবা খুঙ্গং ওইবদগী লাপ্না থবক শুবা চৎনরুবা খুঞ্জাশিং হল্লকপদা এসোসিএসন অসিনা মখোয়গী য়ূমদা পাউ ফাওনরগা ক্বারন্টিন সেন্টর ৩ হাংদুনা পুন্না মীওই ৪২ ক্বারন্টিন তৌহনখি। ক্বারন্টিন তৌরিবা মীওই পুন্নমক্কী চাক খক্তং য়ূমদগী থিল্লক্লগা অতৈ অৱাৎ অপাশিংনা এসোসিএসন অসিনা পীদুনা লাকপনি। অদুগা মপান্দা চৎথোক্লুবদগী হল্লকখিবা মীওইশিং অদুগী মনুংদগী মীওই ৮ পোজিটিভ ওইরমখি। মীওইশিং অদু ঙন্না টেষ্ট তৌদুনা অমদি তোঙান্না থমহৌবনা খুঙ্গং অসিদা কোভিদ-১৯ পাক শন্না শন্দোক্কদবদগী কনবা ঙমহৌরিবনি। ঙসিদি খুঙ্গং অসিদা কোভিদনা নাবা মীওই অমত্তা লৈত্রে হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

হুরাল্লকপা কারগা...

লামায় ১গী মখা... মহাক থা অসিগী ৬কী নুংথিলদা ইম্ফাল পি এসকী মমাঙদা পুলিস ষ্টেসন অসিগী এস আই ঐচ বিদ্যাসাগরনা লুচিংবা টিম অমনা ফ্রিস্কিং অমসুং চেক্কিং চথবদা কার অসিবু থৌদুনা লাকখিবদগী ফাখিবনি। মথংগী নুমিৎতা মহাক সী জে এম, ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা পুথোক্লগা ঙসি ফাওবা পুলিস কষ্টদি রিমান্দ লৌদুনা থল্লকখিবনি। অদুবু ঙসি মহাক্কী পুলিস কষ্টদি রিমান্দগী মতম লোইরদুনা কোর্ট অসিদা জুদিসল কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌদুনা পুথোরকখিবদা কোর্টনা অয়াবা পীদুনা থা অসিগী ২৭ ফাওবা জেলদা থাজিনখিবনি।

প্রাইভেট সিক্যুরিটি এজেন্সি খরনা থবক লৌবদা লুপা লিশিং ৪০...

লামায় ১গী মখা... সিক্যুরিটিগী থবক তৌরিবা মীওইশিংদা অচৌবা অৱাবা কয়া থেংনরে। মসিগী মথক্তা হায়রিবা থাগী ফংলিবা তোলোপ অসিদগী ই পি এফ অমদি তোঙান-তোঙানবা মরম খরগী ককখ্রবা মতুংদা তোলোপ মপুং ফানা ফংবসু নত্তে হায়নসু ফোঙদোরকখি।

অতোপ্পা সিক্যুরিটিগী থবক তৌবা নহা খরনা ফোঙদোরকখিবদা কম্পনি অমা নৎত্রগা দিপার্টমেন্ট অমগী সিক্যুরিটিগী থবক লৌনবগীদমক থোক্লকপা টেন্দর লৌবদা শুপ্নগী চাদা ০.০০১ খক টেন্দর পীবা অসিনসু অসিগুম্বা চাওরবা স্কেম অসি থোক্লকপনি। মরম অদুনা কম্পনি অমসুং দিপার্টমেন্ট অমদি টেন্দর ওক্লিবা প্রাইভেট সিক্যুরিটি এজেন্সিশিং অদুগী মরক্তা করি করম্বা য়ানবা লৈবনো হায়বসু মরি লৈনবশিংনা য়েংশিহন্নিংই। লোয়ননা টেন্দর তৌরিবা কম্পনি অমদি দিপার্টমেন্টশিং অদুগী লুচিংবশিংনসু লমদম অসিগী তুংগী য়েংবিরগা প্রাইভেট সিক্যুরিটি এজেন্টশিংনা টেন্দর অদু অদুক্কী মতিক সর্ভিস চার্জদা চাং নেম্না শুপ্নগী ০.০০১দা লৌরিবা অসিগী তুংদা করি লৈবনো হায়বদু থিগৎপীরগা টেন্দর পীহন্নিংই। নৎত্রবদি থবক তৌগে খঞ্জবা অথাপ্পা মফমশিংদগী লাকপা নহাশিংগী ৱাখল্লোলদা অচৌবা চৈথেং অমা অদুমক ফংদুনা লৈরগনি। লোয়ননা লমদম অসিদা করপসনগী চাং অসি নোংম-নোংমগী অসুমক হেনগৎলক্লবগী অচৌবা মরম অমা ওইগনি হায়না ফোঙদোরকখি।

অতোপ্পা হৌজিক-হৌজিক হায়রিবা লোইশঙশিং অমদি দিপার্টমেন্টশিং অসিদা থবক তৌরিবা সিক্যুরিটি খরনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না সিক্যুরিটিগী থবক তৌবগীদমক করিগীদমক এজেন্টশিং অদুদা শেল পীরিবনো হংনরকপসু য়াই অমদি সিক্যুরিটি ওইনবগী শেল পীরিবা মীওইশিং অদুসু মরাল লৈ হায়না ফোঙদোক্লরকপসু য়াই। অদুবু মতাং অসিদা হায়জনিংবদি সিক্যুরিটিগী থবক হায়বসি থাগী তোলোপসু য়ামদে হায়বসি ঐখোয় পুন্নমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। থাগী তোলোপ য়াম্লবসু য়ামদ্রবসু থবক অমদি তৌদবা য়াদে অমদি য়ূমগী অৱা-অনাদা মতেং খরা ওইগদ্রা হায়না চঙনরকখিবা ঙাক্তনি। মরম অদুনা থাগী তোলোপ ওইনা শেল খরবু ফংলবদি হায়দুনা উপায় লৈতবনা এজেন্টশিংনা হায়রকপগী মতুংইন্না পীনখিবা ঙাক্তনি। অদুবু তশেংনা শেল পীদুনা সিক্যুরিটিগী থবক তৌনিংবদি কনা অমত্তা য়াওবা নত্তে। মরম অদুনা লমদম অসিদা লৈরিবা প্রাইভেট সিক্যুরিটি এজেন্টশিংনা চৎথরিবা সিক্যুরিটি লৌবদা শেল লৌবগী থবক অসিগী মতাংদা লৈঙাক্না অমদি মরি লৈনবশিংনা য়েংশিনবিদুনা মরাল লৈবা মীওইশিং অদুবু ফাগৎতুনা চৈরাক পীহন্নিংই। মদুনা প্রাইভেট সিক্যুরিটি এজেন্টশিংগী মনুংদা লৈরিবা মীয়াম্নদি ময়েক শেংনা উবা ঙমদ্রিবা অসিগুম্বা অচৌবা হাবি-জাবি করপসনগী থবক অসি খরমখৈদি নমথবা ঙমগদ্রা হায়না খল্লি হায়নসু ফোঙদোরকখি।

পি এমনা কোভিদকী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরশিংগা মীফম ...

*লামায় ১গী মখা...*ঙসিগী রিভিয়ু মীটিং অদুদা চীফ মিনিষ্টরগী হেল্থ এদভাইজর ডা. সাপম রঞ্জন, চীফ সেক্রেটরি ডা. রাজেসকুমার, প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (হেল্থ) ভি ভুমলুনমাং, চীফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটরি নিংথৌজম জিওফ্রি, দাইরেক্টর (হেল্থ) ডা. কে রাজো অমসুং অতোপ্পা হেল্থ দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংনা শরুক য়াখি।

অমরোমদা, চীফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটরিএটতা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা চীফ মিনিষ্টরনা নেসনল বেঙ্ক ফোর এগ্রিকলচর এন্দ রুরেল দিভেলপমেন্ট (নবার্দ) কী মখাদা পায়খৎপা তোঙান তোঙানবা ৱেলফ্যের স্কিমশিং লোঞ্চ তৌখি।

ঙসি লোঞ্চ তৌখিবা স্কিমশিং অদুগী মনুংদা মণিপুর ষ্টেট কোওপরেটিভ বেঙ্ক লিমিটেদকী চাওখৎ থৌরাংগী কমপ্রিহেন্সিব স্কিম অমসুং প্রাইমারি এগ্রিকলচর কোওপরেটিভ সোসাইটিজ (পি এ সী এস) অমসুং হায়রিবা পি এ সী এস তরাগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর সপোর্ট অমসুং ত্রাইবেল দিভেলপমেন্ট ফন্দগী চুড়াচান্দপুর অমসুং ফেরজোল দিষ্ট্রিক্টকী প্রোজেক্ট অনী য়াওখি।

হায়রিবা তোঙান তোঙানবা ৱেলফ্যের স্কিমশিং অসিবু লোঞ্চ তৌরদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়, গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী লেপ্পা লৈতনা ষ্টেট অসিগী গ্রোথ, ৱেলফ্যের অমসুং দিভেলপমেন্টকী থবকশিং পায়খৎতুনা লাক্লি। নবার্দ অসি ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী মরু ওইবা পার্টনর অমনি। মণিপুর ষ্টেট কোওপরেটিভ বেঙ্ক লিমিটেদ অমসুং পি এ সী এসশিংগী দিভেলপমেন্টকীদমক পায়খৎলিবা কমপ্রিহেন্সিব স্কিমশিং অসিনা মণিপুরগী প্রাইমারি এগ্রিকলচর কোওপরেটিভ সোসাইটি ৪৬কী ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং হেনগৎহনবদা মতেং পাংলগনি।

মণিপুর ষ্টেট কোওপরেটিভ বেঙ্ক লিমিটেদকী মখাদা পি এ সী এস তরাদা লুপা লাখ ১০/১০গী ফাইনান্সিএল সপোর্ট পীরিবা অসিনা সোসাইটিশিং অসিগী ওফিস ফর্নিচর, পি ও এস মেছিনশিং অমদি সোফ্টৱ্যেরনচিংবা ফগৎহল্লগনি হায়খি।

চীফ মিনিষ্টরনা ত্রাইবেল দিভেলপমেন্ট ফন্দ (টি দি এফ) প্রোজেক্টশিংগী মরু ওইবা পল্লদুনা অসিগুম্বা মখলগী প্রোজেক্টশিং অসিনা কম্যুনিতিশিংগী হেন্না ফবা পুন্সি মহিং অমসুং সষ্টেনেবল এগ্রিকলচর প্রমোট তৌনবগীদমক হোর্টিকলচর বেজ ফার্মিংগী থবক মপূং ফাহনবা ঙমগনি। মসিগী মথক্তা রিছোর্স মেনেজমেন্ট হেন্না ফগৎহন্নবা অমসুং কেপাসিটি বিল্ডিং, ৱিমেন দিভেলপমেন্ট অমসুং কম্যুনিতি হেল্থকী মতাংদসু মখা তাবা থবক থৌরমশিং লৌখৎখিগনি হায়খি।

ঙসিগী স্কিমশিং লোঞ্চ তৌবগী অচম্বা থৌরম অদুদা ত্রাইবেল এফ্যেরস অমসুং হিলসকী মিনিষ্টর ভুংজাগিন বালতে, চীফ সেক্রেটরি ডা. রাজসেকুমার, নবার্দকী জেনরেল মেনেজর ডা. এম এস রাও অমসুং গভর্ণমেন্টকী সিনিয়র ওফিসলশিং য়াওনা নবার্দকী অতৈ ওফিসলশিংসু শরুক য়াখি হায়রি।

HIV IS TRANSMITTED THROUGH
Unprotected sex with an HIV infected person.
Sharing of HIV infected needles & syringes.
From HIV infected mother to her baby.
Transfusion of HIV infected blood or blood products.
Issued in public interest by
Manipur State AIDS Control Society
HL-B/7016/2-31july

COMET
Combined Oceans of Medical & Engineering Tutorials
ADMISSION OPEN
CRASH COURSE 2021
For NEET (Medical) Aspirants
Admission form & Prospectus is available Online
➢ Class commencement from : 8th July., 2021
For Admission & details please
Visit Our Website :www.cometcoaching.in
Special Features
☞ Classes for all subjects everyday for 6 days a weak through recorded videos & Zoom Live classes (Monday to Saturday).
☞ Assessment test every week on sunday (180 Questions within 3 hrs).
☞ After test Questions & Answer discussion on the following day of test.
☞ Doubt clarification & interaction session during Zoom Classes.
☞ Course duration :- 2 months(likely to be changed, depends on NEET 2021).
☞ Study Materials will be provided.
SPECIAL CONCESSIONS FOR BRILLIANT STUDENTS & COMET SCHOOL STUDENTS
☞ Freeship for top 25 ranks of Manipur board in Class-X 2019 Batch (Limited seats)
☞ Freeship for students securing 95% and above CBSE & other Boards in Class-X 2019 Batch (Through Screening Test)
☞ Fee concessions for COMET School students (Limited seats)
FIRST COME FIRST SERVE
HL-B/7030/10,12,14